তৌফদ্রবা মচা ওইবশিংগী থৌদাং

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

মমা অমনা মচা তরা চাউনবা য়োকপা অমদি শেন্নবদি ঙম্মী অদুবু মচা তরানা মমা অমবু অহল ওইরক্লবা মতমদা শেন্নবীবা অমদি য়েংশিনবীবা ঙমদে হায়নবদো য়াম্না চুম্বা ৱাফমনি। মমা অমনা মচাশিংবু কয়াগী মতিক নুংশিজবা, মখোয়গীদমক মীকুপ খুদিং খঞ্জবা, ৱাজবা মপা মমা ওইবশিং খক্তনা খঙবা ঙমগনি। অদুম ওইনমক মমা মপা ওইবা মীওই কয়ানা ফাওবা অহল ওইরবা মমা মপাশিংবু মখোয়গী নুংঙাইবখক খন্দুনা অহল ওইরবা মমা মপাবু লুনা, চান্না, নুংশিনা থন্বীবগী মহুত্তা ইন্থোকপী, কাউথোকপী অমদি ওল্ড এজ হোমনচিংবদা থমজিনবী। মমা মপা ওইবা কয়ানা মচাশিংনা চাউরক্লগা, থবক তৌরক্লগা নোংমদি শোয়দনা নুংঙাইরকখিগনি খঞ্জদুনা চরা নাম্মা চাদুনা, অৱা চৈনা কয়া খাঙদুনা অচৌবা অনীংবা অমগা লোয়ননা য়োকচরকপা, শেমগৎচরকপা মচাশিং অসিনা তুংদা মী অমমম ওইরক্লবা মতমদা অহলশিং অসিবু তোঙান্না থন্বীবা, হুন্দোকপীবা, কাউথোকপীবা অমদি ওল্ড এজ হোমনচিংবদা থমজিনবীবা অসি য়াম্না লানবা থৌওংনি।

অসুম্না অহল ওইবশিং অসিবু তোঙান্না থন্বীবসি মরু ওইনা নোংচুপলোমগী চৎনবীনি, মরু ওইনা সিটিদা থবক ইনখাং তৌদুনা লৈবা অপিকপা ইমুং কয়াদা। মসিগী মরু ওইবা মরমদি নোংচুপলোমগী ওইবা মতোম মতোমতগী খনবা (ইন্দিভিজুএলিজম) অমদি অপিকপা অহল লমনশিংগা পূন্না লৈমিন্নদবা ইমুং (ন্যুক্লিয়র ফেমিলি) অসিনা মরু ওইবা মরমনি। লাইবক থীবদি অসিগুম্বা নোংচুপলোমগী চৎনবী অসিসু চাওখৎপা চৎনবীনি হায়দুনা ঐখোয় নোংপোক লমদমশিংদা মতৌ তল্লকপা অসিনি। নোংচুপলোমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা তৌনৈ হায়দুনা মখোয়না তৌবা খুদিংমক মতৌ তমগনি হায়বদি য়াম্না লানগনি। ঈশিং, নুংশিৎ, মহৌশাগী ফীভম, উহৈ-ৱাহৈ, লৈফম, লাইনীং-লাইশোল, হৌন-লোনচৎ, ৱাঙাঙ শঙাঙ, থবক ইনখাং অমদি শেল থুমগী মতুং ইন্না মফম মফমদুগী চান্নবা চান্নদবা হায়বা অমা লৈবনা পোৎলম খুদিংমক মতৌ হেক তমদুনা পুশিল্লকপা হায়বসি অফবা পুরকপগী মহুত্তা ফত্তবা ওইনা পুরক্কনি।

নোংচুপলোমগী মতৌ তমদুনা নাইতোম চৎপগী হৈনবী অমদি অপিকপা ন্যুক্লিয়র ফেমিলি ষ্ট্রকচর ইল্লুবদগী ঙসিদি ইন্দিয়াগী সিটি কয়াদা অমদি ইরমদম কংলৈপাক্তা ফাওবা অহল ওইরবা মমা মপা কয়াবু ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবা,মদোম ইন্থোক্তুনা থন্বীবা নৎত্রগা কাউথোকপীবগী চৎনবীসি য়াম্না হেনগৎলক্লি। মসিগী থৌওংসি য়াম্না মথোং চাদবা থৌওংনি। অহল ওইশিল্লকপা হায়বসিদি ৱাখল চোইরকই, নীংশিংবগী পাঙ্গল শোন্থরকই. মীৎ উবা অমদি তাবগী চাংসু য়াম্না হন্থরকই, শুবা নোম্বা অমদি চথোক চৎশিন তৌবা ঙল্লক্তে। মসিগী মথক্তা মপুরোয়বা নৎত্রগা লোয়নবী কায়নখ্রবনা ৱাখল পিকথরকই অমদি পূক্নিং নুংশিবা হেল্লকই। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা মশা মউ তোয়না নাবা-খোৎপসু অহল ওইরবা অয়াম্বনা থেংনরিবনি। ফীভম অসি ওইরবা অয়াম্বনা থেংনরিবনি। ফীভম অসি চহী য়ামশিল্লক্লবমখৈ হেন্না হেন্না শোকচিল্লকই। ফীভম অসি য়ৌশিল্লকপা অসিদনি মচা ওইবা ঐখোয়না হান্নদগী হেন্নদুম মখোয়বু চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা নুংশিনা থন্বীগদবা। অদুবু ওন্ন-তৈনরে মখোয়দা তৌবীরিসি।

অহলশিং অসিনা মশা মউ কল্লিঙৈ, শুবা নোম্বা ঙল্লিঙৈ, শেল-থুম থোক্লিঙৈ মতমদনা মখোয়গা লৈমিন্নবা নৎত্রগা মখোয়দগী শেল অমদি মতেং লৌ লৌদুনা হিংলকপা অদুগা মখোয়না অহল ওইশিল্লক্তুনা শুবা নোম্বা ঙল্লক্ত্রবা, মমীৎ মনা উরক্ত্রবা, ৱাখল চোইরক্তুনা, নীংশিংবা ৱাৎলক্তুনা মচা ওইবা ঐখোয়গী মতেং মথৌ য়াম্না তারকপা মতমদনা করিগীদমক ইশা ইশাগী নুংঙাইবখক য়েংদুনা মখোয়বু পোৎলুম অমগুম খন্দুনা ইন্থোকপীরিবা, কাউথোকপীরিবা অমদি ওল্ড এজ হোমনচিংবদা থমজিল্লিবা। মসি তৌহৈদবা থৌওংনি। ফনা চাওখৎপা নোংচুপ লৈবাকশিংদা তৌনসনু করিগীদমক ইমুং মনুং পূন্না (জোইন্ট ফেমিলি) হিংমিন্নদুনা লৈরকপা ঐখোয়না নোংপোক লমদমগী নাইতোম নাইতোম হিংবগী ৱাখল্লোন অমদি চৎনবী অদু ইনগদৌরিবনো। মখোয়গী চৎনবী অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা করি অফববু পুরকপগে। মসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা খক নত্তে, নোংচুপলোমগী খুন্নাইদসু অফবা পুরক্তে হায়বসি মখোয়সু খঙজরিবনি।

ঐহাক্কী ওইনদি ইমাসু, পাজিসু লৈখিদ্রে, কুইরে। ঐহাক্না মপানদা লাইরিক তম্লিঙৈ অমদি থবক তৌরিঙৈ মখোয়বু নুংশিনা, মপূং ফানা থৌগল তৌজবা ফংখিদে। লাপ্না মপানদা লৈখিবনা ইমা পাজিগী থৌগল মপূং ফানা তৌবা ঙমখিদবনা মতম চূপ্পদা ঐহাক্কী থম্মোয়সে ইহাঙ হাঙবদৌনা থোকই। ঐহাক্কী অপোকপী ইমা পাজি লৈখিদ্রবসু টাইৱান্দদি ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈম (চেন নান-টাই) গী অপোকপী ইমাদি হিংলি ঙসিসু, চহী ৯৪ শুরে। চহী য়াম্না য়ামশিল্লকপগী হৌনবী ইমা অসিসু ৱাখল তাবা, নীংশিংবা ৱাৎলক্লে, চথোক চৎশিন ইঙম ঙল্লক্ত্রে। মতোমতা হৌগৎতুনা চৎপদা তুশিন্দুনা শরূ তেক্তুনা হোস্পিটালদসু লায়েংলুরে। করিগুম্বদা নীংশিংবা হেক হেক ঙল্লক্তদুনা মচা মমৌ অমদি মশুশিং ফাওবা মশক খঙবা ঙল্লক্ত্রে। ফীভমসিদা চনিংলৈমগী মৌপ্পা অমদি মহাক্কী নুপীনা ঐখোয়গা শেনফম তঞ্জাই তঞ্জাই পুথোক্তুনা ইমাবু ওল্ড এজ হোমদা থমখ্রসি হায়না হায়রকপদা চনিংলৈমনা থবক তোক্লবসু তোক্লা ইমাবু শেন্নগনি হায়না ওল্ড এজ হোমদা থম্বগী ৱাফমসি য়াখিদবনি।

চহী ৯৪শুদুনা অহল য়াম্না ওইশিল্লকপসিদা ইমাসি য়াম্না কাউগল্লে, হেক হেক মীশক খঙবসু ঙমশিল্লক্ত্রে। চৎলিবা নবেম্বর থা অসিগী তাং ১৩দা ইনাওনুপাগী ইমুং চথোক্কনি হায়দুনা চনিংলৈমনা ইমাবু শেন্নবা চৎলুবদা নোংমা ইমাদো অয়ূক অঙনবদা য়ূমদা লৈরমদে হায়দুনা কোয়চেন চেন্দুনা থিনবদা lift/elevator মনুংদা তুশিন্দুনা লৈরম্মে হায় অদুগা মমৌ অমদি মশুশিংনা চিংখৎতুনা য়ূমদা অমুক পুশিল্লক্লবা ফাওবদা মখোয়বু মশক খঙবা ঙমদে হায়না ইচলনুপীদুনা চনিংলৈমদা ৱারী তল্লকই। ফীভমসি য়ৌরকপসিদা ঐহাক্না পাখৎতুনা ইমাসি য়াম্না চেকশিন্না শেন্নদবা য়াদ্রে অতৈ খুদোংথীবা কয়া অমসু থোক্লকপা য়াই হায়দুনা চনিংলৈমদা ইশেলনুপাগী অয়াবা লৌরগা ঐখোয়গীদা থমদুনা শেন্নরসি হায়না ৱারেপ লৌখিবনি হন্দক্তা। মথং থাদগী ঐখোয়গা লৈমিন্নরনি। হান্নসু ইমাসি ঐখোয়গীদা থমসি হায়বনি, পাবুংনা লৈখিদ্রবা মতুং অমদি ইনাওনা অতোপ্পা য়ূম অমা লৈদুনা লৈখিবদগী। অদুবু ইমানা মচা অতোনবগীদা ওইনা লৈগে হায়দুনা লৈখিবনি।

ইমাবু ঐখোয়দা থম্বসি তৌদ-য়াদে হায়দুনা কনানসু য়াথং পীরকপা লৈতে, মরু ওইনা চনিংলৈমনা নিংঙোল অমসু ওইবনা। অদুবু মচা অমা ওইবগী অঙন্বা থৌদাং লৌফম থোকই খন্দুনা ইমাসিবু ঐখোয়গীদা থমসি হায়না লেপ্পবনি ঐখোয় অনীনা। ফিরেপ অসিনা মরম ওইদুনা চনিংলৈমনা মহাক্কী ওজা ওইবগী থবক্তো তোক্লনি। মসিনা ঐখোয় ইমুংগী শেন্মীৎলোন্দা অকায়বা খরদি পুরক্কনি। অদুম ওইনমক ইমাগী লেমহৌরিবা পুন্সি অসিনা নুংঙাই য়াইফনা লেনজবা অদুনা হেন্না মরু ওই হায়দুনা ইমাবু থৌগল তৌবগী ৱারেপ অসি লৌবনি। ঐহাক্কী ৱাখল্লোন্দদি শেল, লন-থুম হায়বসিদি কোন্না অমুক তানবা য়াই অদুবু চৎখ্রবা হকচাং অমদি থৱায়দি অমুক হন্না তাল্লুবদা ফংগদবা লৈতে হায়বসিনি। মরম অসিনা ইমা ইপা অমদি অহল লমনশিং অসিগী অরোইবা পুন্সিগী তাঙ্ককসিদি ঙল্লিবমখৈ মচা ওইবা ঐখোয়না মখোয়বু লুনা, নুংশিনা তৌবীদুনা থন্বীগদবনি। হিংলিঙৈদা লুনা তৌবীদ্রগা হয়েং লৈখিদ্রবকান্দা মীয়াম মাঙদা নুংশিবা শাদুনা শেল চাউনা থাদদুনা লান্ন থৌরমশিং পাঙথোকপদুনা মখোয়গী থৱায়না হরাওগনি হায়বদি থাজদে ঐহাক্কী ৱাখলদদি। "ইমা ইপাদি মীৎনা উবা লাইনি। কোরৌ নোংদোলনা ৱাংব্রা পন্থৌ ইপানা মহেল্লি, মালেম লৈমনা লূপ্ত্রা পলেম ইমানা মরুম্মী" হায়রগা অহল ওইরবা ইমা ইপাবু য়াম্না নুংশিনা, চেকশিন্না থন্বীগদবা মতমসিদা মখোয়বু ইন্থোকপীবা, কাউথোকপীবা অমদি ওল্ড এজ হোমনচিংবদা থমজিনবীবা হায়বসিদি য়াম্না ওন্ন-তৈনরে খল্লি। ●

চথরক্লিবা পুন্সি খোঙচৎতা (কেরলা চেপ্টর -২)

- ডা. এম নরা -

ত্রিবান্দ্রমদগী মুম্বাই তম্না লাকপগী লম্বীদা কর্ণাটক্কাগা তাইনবা চীংথক্তা লৈবা সহর কোলপেতাদা শান্নখিবা প্লে অদুনা কেরলাদা নুমিৎ ১৮নি লৈবগী অরোইবা পর্ফোর্মেন্স ওইখি। সহরদুগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা য়ূম্বু ওইদুনা ফজনা শিনখিবনি। লীলা লোইরবা মতুংদা নুমিদাংগী চাকলেন চারগা অহিং অদুদা অদুমক খোঙশাল্লকখি। মেঙ্গলোর ফাওরগা ধর্ৱার্দ যুনিভর্সিটি য়ৌনবা লাকপনি। লমশাংনীনা দ্রাইভর অনী শিন্ন-শিন্ন থৌরকপনি। মেপ য়েংল-য়েংলগা থৌবনি, হঙ্গৎ হন্দা য়ামদ্রবদা কিলোমিটর ১২,০০০গী মথক্তনি ঐখোয়গী খোঙচৎ অসি। অহিং অসিদা অৱাবা থৌদোক অমা থোকখি। নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা গাড়ীগী ইঞ্জিনদা মৈ হৌরক্তুনা চাকখৎলকখি। ঐখোয়না ইল্লিবা কম্বলশিংনা হেক্তা মৈদু কুপশিন্দুনা উচিন নাচিন্না মুখৎপা ঙমখি। অদুবু গাড়ীদি অমুক হন্না ষ্টার্ট তৌবা য়াদ্রে। মায়কৈ মরি পুম্মম মমই, জঙ্গল মনুং ওইরমই। ঐখোয় ময়াম ৱা ইঙাঙ ঙাঙনদে, চিনবান ইকং কংনৈ, করি থোক্লগবা পূক্নিং লাংতক্লে। নোংসু ঙানগদৌরে, মফমসিদা ঐখোয় গাড়ী মনুংদা ঙাইহাক্তং পোত্থারসি হায়দুনা মাগী মাগী সিটতা ফম্নরে। নোংঙাল্লে, ঐখোয় ময়াম্না গাড়ী অসি ইল্লগা কিলোমিটর অনীরোম লাক্লে, হুমাং তানরে, লম্মাংনি অদুগা জঙ্গলগী শরুক লোইরক্তুনা মী খরা খরা চৎনবসু উরে। মী লৈবা জগানি ঐখোয়না থিরক্লিবসি। সরক মপান্দা দুকান অমা অনী লৈবা উরে। ঐহাক্না চঙশিন্দুনা দুকান্দার অদুদা নখোয় শ্বাইদা কম্যুনিষ্ট য়াওবা মীগা লৈব্রা হংলুরে। মহাক্না মখূৎ থিল্লদুনা য়ুবী পাম্বী মরক্তা য়ূমদোনপোক অমা লৈরিবসিদা কম্যুনিষ্ট য়াওবা নুপা অমা লৈবনি হায়রকখি। ঐখোয় অনী/অহুম পূন্না য়ূমদুদা চঙলগা থিরুরে। মহাক্কী মমিং বালন কৌই, রাজনিতিদা খোঙদাদুনা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী এক্টিভ মেম্বর ওইবা, চহী ৩৫ মুক্কী লেঙ্গা ওইরবা মীশক অমনি। ঐখোয় শক তাক্লরগা ঐখোয়গী অৱাবা মঙোন্দা লীরে। লাইবক ফবদগী ইনক নকপদা ৱার্কশোপ অমা লৈরমই। মদুদা গাড়ী অসি ইনশিন্দুনা য়েংবা হৌহল্লে। ঐখোয়না য়াম্না পাখৎলম্বদি মরু ওইবা ইঞ্জিনগী পার্ট য়াম্না শোক্লমদুনা পুবা থাংবা ঙমদবা শেল য়াম্না চঙগদবা অমদি নুমিৎ নীনি/হুমনিগা চঙনা শেমগদবা ওইরবদি ঐখোয় করম্না য়ূম য়ৌগনি? ওন্থোক্লা লাংতক্লবা তাঞ্জা অমনি। ঐখোয়গী অৱাবসি উরদুনা কমরেদ বালননা য়াম্না চেকশিন্না গাড়ী শেল্লিবা মীওইশিংদুদা কুপশেন শেন্নদুনা ৱারী শারি। ঙাইহাক্তং লৈরগা হায়রকই - গাড়ীগী মরু ওইবা পার্ট অমত্তা শোক্তে, অদুবু পূম্নমকসি শেন্বদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদি শোয়দনা চঙগনি।

কমরেদ বালননা হৈশিংনা থবক থুজিন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা ঐখোয়গী চাক ঈশিং শোয়দনবা অমুকসু শিনবীরে। চাক তোক্লকপগী ঙাইহাক্তং অমুক নুংশা য়াইদুনা অহিং তূম্বা ৱাৎপগী শরুক মেনখৎনরে। তাল্লকসিদা গাড়ী শেম্বা লোইরে, ষ্টার্ট তৌনবা পাউ হায়রক্লে। গাড়ী চ্যেক তৌরে, চৎপা য়াররনি হায়রে। গাড়ীগী পার্ট খরা শিনবনে অদুগা অশেম্মল লোইনা পুল্লগা শুপ্পতগী লুপা ২৬০০ খক্তং লৌহৌরে। ঐখোয় পূন্না চা গ্লাস অমমমতং থকমিন্নরগা নুংথিল পুং ৪দা বিদায় তৌনরগা ধর্ৱার্দ পাংলকখি। মেপ য়েং য়েংদুনা লেপ্তুনা থৌরকপদা নোংয়াই য়ৌরকপা অসিৱাইদা লম্বী লম্মাংনরে, ঐখোয়না লাক্লিবা লম্বী পিকশিল্লকপা, লম্বীগী মৈ য়াম্না লন্না উরকপা অদুগা অতৈ গাড়ী ইচেন চেল্লমদবা, অসুকপা জঙ্গল মনুং ওইনা তৌবা ঙৱাং অহিংগী মতৌগুম অমুকসু ঐখোয় অৱাবা তারগদ্রা হায়বা ৱাখল য়াম্না লাংতক্লবা ফাওরে। দ্রাইভরশিংদা ৱাখল হন্থহনবা য়াদে, ঐনা মখোয়গী মনাক্তা ফম্লগা গাড়ী চাং অমদা শুংলেপ লেপ্তুনা অদুম থৌ শোয়দনা লম্বী অচৌবা অমা থেংনরবা কান্দদা গাড়ী খাম্লগা হংসি। কিলোমিটর ১০০ রোমনি ঐখোয়না শুংলেপ লেপ্তুনা থৌরক্লিবসি। ময়ামদি গাড়ী মনুংদা লোইনা তূম্নরিবনি।

নোংঙাল্লক্লে, লম্বী অচৌবা অমা থেংনরে, মীসু অয়ূক্কী ৱাকিং চৎনবা য়াওরে, পূক্নিং খরদং লৈতাবা হৌরে। পূন্না ৱাকিং চৎলম্বা মীওই খরদা ধর্ৱার্দ য়ুনিভর্সিটি কয়াম ৱাৎলি হংলুরে। পুঞ্জাইমুক চুম্না অদুম থৌরো, লম্বীসি ধর্ৱার্দকী গেট ফাওদুনা চৎপনি অদুম উগনি, মেন রোদনি হায়দুনা হিন্দি অমসুং ইংরাজি লোল ফজনা খঙবা মীওই অমা অনীনা লম্বীগী মায়কৈ তাকপীরকখি। য়ুনিভর্সিটিগী গেট থেংনরে, মদুগী মায়োক্লনা হোটেল অচৌবা অমা লৈ। মদুগী মপাদা খাম্লগা পি সী ও অমদগী ঐখোয়বু ওকপীরমগদবা কর্ণাটাক্কী আই পি টি এ প্রসিদেন্ট ডাক্তর সদানন্দ পাটিলদা ফোন তৌদুনা ঐখোয় থুংলরে হায়বা খঙহনখ্রে। ঙাইহাক্কী মনুংদা মখোয় মরি/মঙা থুংলরে, মতমদুদি মোবাইল ফোনগা পায়নদ্রি। ঐখোয়না নোংমা চোন্থনা থুংলবগী মরমশিং তম্বদা মখোয় মথবাক্তা য়ৈনা অঙকপা ফোঙদোকখি। ঐখোয়না ফাওরক্লিবা অকোনবগী জঙ্গল অদুদি মীয়াম্না কিনবা, মীহাৎ মীপূন কয়া থোকখ্রবা অমদি য়াম্না হঙ্গোইনবা জঙ্গলনি হায়না ফোঙদোরকখি। খুদক্তা হোটেল অচৌবদু থোঙ হাংহন্দুনা ঐখোয় পূম্নমক হকচাং শেংদোক্লরগা অথুবা ব্রেকফাষ্ট শিন্দুনা চাহল্লে। মরমদি ঐখোয় লাংতক্লবা অমদি নুমিদাংগী চাকলেনসু চারক্তবা পূম্নমক্তু খঙলবা মতমদা মখোয়না থোইদোক্লা হেন্না ৱাবীখিদুনা ঐখোয়বু পেন্নবা হোৎনরকপনি। ওর্গনাইজরশিংগী অৱাবনা ঐখোয় নোংমা চোন্থরকপনিনা ভাবক মরাং কায়খিদে অদুবু নীংবা কায়বদগীদি কনখি অমসুং ঐখোয়গী ৱারী মীয়ামদা শন্দোক্লা লীরবা তুংদা পূম্নমক্লা অপেনবা ফোঙদোকপীরকখি। লীলা লোইরবা তুংদা ভাবক মরক্তগী নুপী আর্টিষ্টশিংনা ঐখোয়গী নুপী শাবী অরুন অমসুং সনাতোনবু মখোয়গী য়ূমদা পুদুনা চাক চামিন্নরুগে হায়দুনা কন্না হেক্তা মহায়রে। ঐখোয় য়াবা তাখি। অদুগা কর্ণাটাক্কী মমিং লৈরবা ঠিএটর এক্তর অমসুং ফিল্ম ডাইরেক্টর অমনা মশানা শক তাকচরগা মহাকসি "মেম সাহেবকী শারি" হায়রিবা মণিপুরগী শুমাং লীলা য়েংনবগীদমক্তা নুমিৎতুদা বোম্বেদগী থুংলবনি হায় লোয়ননা লীলাসিগী মেরিট অমদি মহাক্কী অপেনবা ফোঙদোরকখি। "হয়েং অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট মহাক্না শিঞ্জরগে হায়না চেবাউ পীরকখি। তশেংনমক থম্মোয়গী অপেনবা অমসুং নুংশিনবগী কল্লবা ঈচেল অমা পাক শন্না শন্দোরকপগুমই। ঐহাক্না ফোঙদোকচরিবা অসিনা ৱাৎলগদবা পুন্সিগী থৌদোকনি হায়জগে।

ধর্ৱার্দকী মথংদা বেলগাম সহরদা মথংগী নুমিৎতা উৎকদবনি। সহর অনী অসিদি পুং ১গী খোঙচৎনি। মরম অদুনা অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট মতুংদা বেলগাম এ এম সেক হোমিওপেথিক মেদিকেল কোলেজ গী কেম্পসতা চৎলে। নোংমা চোন্থরবনিনা ভাবক্কী নীংবা কায়বা কয়া লৈরন্নবসু কোলেজ কেম্পসনিনা ঐখোয় থুংলবগী পাউ তাবদা ময়াম অদুম হরাওনখি। কোলেজগী ফজখ্রবা গ্রাউন্দ অমসুং ওপন এয়র হোল, মহৈরোয়শিং, কোলেজগী ওথোরিটি অমদি ইনভাইটিশিং লোয়ননা ইলেক্ট্রোনিক প্রিন্ট মীদিয়াগী মীহুৎশিং অমসুং ভি আই পিশিং পূম্নমক্লা চোন্না তিল্লবা অখন্নবা থৌদোক অমা ওইখি। লীলা লোইরগা মার্সিয়েল আর্টসকী আইটেম অনী অমসুং সনাতোন অমদি অরুনগী জগোয় অমমমগা উৎলুবদগী ভাবক্কী খ্বাইদগী পেঞ্জবা মীৎকী কুম্মৈসু ওইখি। ভাবক্কী পেঞ্জবা থম্মোয়গী মখোল খূবাক ওইনা খুরকখিবা অঙকপনি। নোং ঙাল্লগা অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট মতুংদা ঐখোয় বোম্বে পাংনবগী থৌরাং তৌরকখি। চৎলমদাইদা খঙহৌদনা কোলেজগী মহৈরোয়শিংনা লম্বীগী নাক য়েৎতা পরেং লেংদুনা ঐখোয়বু বীদায় পীরকখি। কোলেজ অসিদা মণিপুরদগী মহৈরোয় ১০ মুক য়াওরমই। মখোয়না চিঠি ইরকখি ঐঙোন্দা। চিঠিশিং অদুদি ঐখোয়না য়ূম য়ৌরবা মতুংদা ফংখিবনি, অসুম্না ইরকখি - "পাবুং ঐখোয় কোলেজদা মেম সাহেবকী শারি শান্নখ্রবা মতুংদা ঐখোয় বেলগামদা লৈবা য়াম্না নুংঙাইরে। মী পূম্নমক্লা ঐখোয়বু ব্যবহার তৌবী, তশেংনা ঐখোয় মণিপুরী অমা ওইজরুবগী চাওথোকচবা ফাওই"।

মথংদি বোম্বেগী মমিং লৈরবা পৃথ্বি থিএটরদা অহানবা ওইনা শুমাং লীলা 'মেম সাহেবকী শারি' উৎখিবা। ফিল্ম অমসুং ঠিএটরগী শক্লাইরবা শক্লাইরবী কয়ানা মিৎয়েং তাবীখিবা। নুমিৎ অদুগী পর্ফোর্মেন্স লোইরবা মতুংদা শক্লাইরবা ঠিএটরগী পর্সনেলিটি এ কে হঙ্গলনা হায়বীখিবা - "নখোয়গী ঠিএটর অসি অসুক্কী মতিক মগুণ লৈবা অমসুং শক্তি লৈরবা ঠিএটর অমনি। গুন ১১ য়াওরি - 1) Mode of Presentation 2) Dialogue 3) Sequence 4) Music 5) Make up 6) Impersonation 7) Acting (Humorus+Emotional) 8) Timings 9) Comedy (Naturality) 10) Body movement 11) Theme. নুপী শাবীশিংদি খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎপীখি। য়াম্না নুংঙাইবা অমসুং নোক্লিংবা থৌদোক অমদি নুমিত্তুদা লীলা য়েংখিবা ঠিএটর অমসুং ফিল্মগী নুপীশিংনা নুপারা-নুপীরা অশেংবা খঙনবনি হায়দুনা ফি শেৎফমদা অরুন অমসুং সনাতোন মফি হোংবা য়েংদুনা লৈখিবা অদুনি।

বোম্বেদগী ঐখোয় নাগপুর ফাওরগা মণিপুর থোরকপনি। নাগপুর য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেলর অমসুং অতৈ একাদেমিসিয়নশিং লীলা য়েংবীখি। লীলাসি লোইশিল্লকপদা পাকিস্টান নিংঙোল অমবু মচা নুপা পাইলোটনা মৌ ওইনা পুশিল্লক্লবদা লেফটিনেন্ট জেনরেল ওইরিবা মপা অদুনা মমৌ নুপী অসি লৌশিনখিবা মদুদা মহাক্না হায়খিবা ৱাহৈশিং - "তু হিন্দু বনেগা না মুসলমান বনেগা, ইন্সানকী ঔলাদ হৈ, ইন্সান বনেগা" Neither Hindu nor Musalman I'll make you a generous human being". ঐহাক্না নঙবু হিন্দুসু ওইহল্লোই, মুসলমানসু ওইহল্লোই, থম্মোয় পানবী মীনুংশি খঙবী মীশক অমা ওইহনগনি" মতাং অসিদা নাগপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেলরনা ফম্ফমদগী ফুক হৌগৎলগা মখূৎ থাঙ্গৎতুনা লাউরকই - 'জিতে রহো জিতে রহো! Long Live Manipur IPTA" মণিপুর ইপতা কুইনা পুন্সিবা ওইসনু। ●

ꯃꯥꯡꯂꯦ / BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook of SBI bearing Account No. 33224422888 issued by SBI, Thoubal Branch on the way from Tentha to M.U. Canchipur on 16th November 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Maibam Sajan Singh**
Tentha Khunjao, Tentha, Thoubal
9829439128

HL-P/0663/18

[illegible] / SCRIPT কৌজরি

ISTV অমদি IMPACT TV দা শন্দোক্লিবা CINE TV Channel গীদমক Tele-serial অমদি Teleplay গী Script কৌজরি।

থৱায় য়াওবিবা অইবশিংনা December 10, 2021 ফাওবগী মনুংদা নমথোক্লবা Script Copy 2/2 মখাগী Address অসিদা য়ৌহনবীরক্লবা খঙহঞ্জরি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

Mobile No. :
7005393756
9612166339
8787495561

Sd/- CINE TV
Konung Mamang, Wangkhei Road
Imphal (E)
C/o Kangla Films BLDG

HL-P/0656/17,18

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG, MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 396/SDC/Moirang/2021

Mairembam Ongbi Amushana Devi W/o (L) M. Ato Singh
of Moirang Mairembam Leikai

-Vs-

Late Co-Pattadar No. 1 Mairembam Ato Singh S/o (L) M. Tamullo Singh of Moirang Mairembam Leikai

[illegible] / NOTICE

Moirang 17/11/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫১-ঙাংখলৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ৮/১৬১৮ (অনৌবা) সী এস দাগ নং২৪১৮/২৬৪৬ এরিয়া ০.০৯ একর চাওবা লম-ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: কো-পাট্টাদার নং ১গী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Moirang

HL-P/0659/18

ꯃꯥꯡꯂꯦ / ADMIT CARD LOST

I have lost my Admit Card of Transport Department's Examination of 2021 bearing Roll No. 3239 issued by Transport Department, Government of Manipur on the way from Moirangkhom to Khabi on 10th November 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Khomdram Romen Meitei**
Khabi Awang Leikai
9436668099

HL-P/0664/18

ꯃꯥꯡꯂꯦ / DOCUMENT LOST

I have lost my Original Marksheet cum Certificate of HSLC Examination, 2017 bearing Roll No. 42045 issued by BOSEM and Marksheet of Class-XII (Sc) 2019 bearing Roll No. 15289 issued by COHSEM on the way between my residence and Singjamei Bazar on 14/11/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Megharani Okram**
Thongju Part II, M.U. Ist Gate
9863050132

HL-P/0661/18

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI

Ref. Mutation Case No. 560/SDC/IW(P) of 2021

Moirangthem Chandrabi Devi W/o (L) Moirangthem Thoiba Singh
of Langjing Achouba Petitoner

-Vs-

Late Moirangthem Thoiba Singh S/o Bokul Singh
of Langjing Achouba Deceased Pattadar

[illegible] / NOTICE

17/11/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউ-চেগী খূৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই: ও: পাংশোইগী খুল নং ১০৪/লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নং (১) ৩১ (অরিবা), ১০৫০/৭১৭ (অনৌবা)গী দাগ নং ৫৮২/৯৬২ গী এরিয়া ০.১৮০০১ একর চাওবা ইংখোল অমসুং (২) ৩১ (অরিবা), ৩০৯/৮২৮ (অনৌবা)গী দাগ নং ৮৪২/১০৭৫ কী এরিয়া ০.১৩৪০০ একর, ইংখোল ২ (অনি) অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পাল্লিবা দংকারিনি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপুরোইবগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুং ইন্না মথংশিংনা নমা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৪/১১/২০২১ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Patsoi

HL-P/0660/18

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-III, MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 399/AS & SO/III **Date 16-11-2021**

1. Nasim Begum W/o Late Qutub Ali of Golapati
2. Md. Tayeb Ali S/o (L) Md. Ahammad Ali of Golapati

- Petitioners

-Vs-

Late Latiful Bibi W/o Late Ahammad Ali of Golapati

- O.P.

[illegible] / NOTICE

Imphal, 17-11-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 26(A)-Nongpok Ingkhol পাট্টা নং 1061 অরিবা 686 অনৌবা দাগ নং 292 এরিয়া 0.0396 হেক্টর চাওবা ইখোল অসিগী পাট্টাদার নং Latiful Bibi মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 25-11-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer,**
III-Manipur

HL-P/0662/18

[illegible] / Ph.D. DEGREE AWARDED

Moirangthem Rasmani Devi, D/o (L) M. Kamdeva Singh and M(O) Manihal Devi, bearing University Registration No. T068102020114003, resident of Kakching Wairi Ward No. 2, Kamala Pareng, Kakching District, Manipur has been awarded the Degree of Doctor of Philosophy (Ph.D.) in Physics Department by Himalayan University, Itanagar, Arunachal Pradesh, India Vide Ref. No. : HU/REC/P/506/161-14/990 dated on the 12th November 2021 on the thesis **"PHOTOCONDUCTION MECHANISM OF CdTe and ZnTe NANOCOMPOSITE FILMS"** under the supervision of Dr. K. Kunjabali Singh, Assistant Professor, Department of Physics, Thambal Marik College, Oinam, Manipur. She is serving as a regular Assistant Professor in Department of Physics, South-East Manipur College, Komlathabi, Chandel District. She published research papers in reputable International Journals, International Conferences of Advanced Materials, National Seminars etc.

With regards,
Family, Friends and Relatives.

HL-B/7287/18

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG, MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 394/SDC/Moirang/2021

Ahanthem Nabachandra Singh
S/o (L) A. Amuyaima Singh of Moirang Phiwangbam Leikai

-Vs-

Late Co-Pattadar No. 1 Ahanthem Amuyaima Singh
S/o (L) Ahanthem Tamphajao Singh of Moirang Phiwangbam Leikai

[illegible] / NOTICE

Moirang 17/11/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৩-মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৮ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ৩০০৪ এরিয়া ০.০৯ একর চাওবা লম-ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: কো-পাট্টাদার নং ১গী ইমুং-মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চথগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Moirang

HL-P/0659/18

SPECIAL OFFER
[illegible]
SPECIAL OFFER

M/S N.K.S. BRICK FIELD

NEAR KHONGJOM WAR MEMORIAL GATE
GSTIN NO. 14HFIPS8066E1Z1

Brick Class	Rate per Brick	No. of Bricks	T/C	L/C	Total Charge
1st Class	Rs. 14.50	1500 2000	2000 2500	600 700	24,350/- 32,200/-
2nd Class	Rs. 13.50	1500 2000	2000 2500	600 700	22,850/- 30,200/-
1st Reject	Rs. 13.00	1500 2000	2000 2500	600 700	22,100/- 29,200/-
2nd Reject	Rs. 12.00	1500 2000	2000 2500	600 700	20,600/- 27,200/-
1st Petty	Rs. 12.00	1500 2000	2000 2500	600 700	20,600/- 24,200/-
2nd Petty	Rs. 10.50	1500 2000	2000 2500	600 700	18,350/- 24,200/-
3rd Class	Rs. 7.00	1500 2000	2000 2500	600 700	13,100/- 17,200/-

Contact No.:- 8730097406 / 8118999999

HL-B/7281/15-24/11

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।